


# এম এন সী এ সুপর প্লেট টুর্নামেন্টঃ রুল মৈত্রম অমসুং পি সী সী ময়ায়কোইবী মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫ (ঐচ এন এস):**
মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন (এম এন সী এ)না শীন্দুনা তোঙান তোঙানবা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মশিংদা চত্থরিবা ৫ রক শুবা এম এন সী এ সুপর প্লেট ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা রুল মৈত্রম অমসুং পি সী সী ময়ায়কোইবী মায় পাকখ্রে।

ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌরগা মোদেল হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমসুং ওরিএন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দদা কে এ এস সী খোমিদোক অমসুং রুল মৈত্রমগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস কে এ এস সীনা ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নখি। কে এ এস সীনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ৩৪.৫তা ওল আউট ওইরগা রন ১৩৫ লৌবা ঙমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা বেটসমেন বি এম অফসারনা বোল ৪০ মায়োক্লবদা রন ৪৪ অদুগা বি এম ইরফাননা বোল ৫৯ মায়োক্লবদা রন ৩৪ লৌরমখি।

রুলনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ২৮.৩দা ৱিকেট ৪ তুরগা টার্গেট রন হেন্দোক্তুনা পুন্না রন ১৩৭ লৌদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৬তা মায় পাকখিবনি।



পব্লিক গ্রাউন্দ খাঙবোক পার্ট থ্রি চেরাপুরদা পি সী সী ময়ায়কোইবী অমসুং কে এস দি ও ক্যামগে লম্বা তৌনখিবা অদুগী টোস পি সী সীনা ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নখি। পি সী সীনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা অপীবা ওভর ৩৫ লোইবদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ২২৫ লৌবা ঙমখি। অদুগা কে এস দি ওনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা অপীবা ওভর ৩৫ লোইবদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১৬৯দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু পি সী সীনা রন ৫৬তা মায় পাকখি।

ꯑꯣꯏꯁꯤꯡꯑꯦꯡ/PH.D. DEGREE AWARDED



**Mrs Konsam Rebika Devi** has been awarded the Degree of Doctor of Philosophy by Manipur University, Canchipur, for her thesis entitled **"A Study on the Attitude of Undergraduate Students of Government Colleges Towards E-Learning in Imphal East and West districts of Manipur"**, vide notification No. MU/9-95/25/2073 dated 13th January 2026. She completed her Ph. D under the supervision of Dr. Konjengbam Rashitombi Devi, Associate Professor, Department of Education, Imphal College, Imphal.

Mrs Konsam Rebika Devi is wife of Dr. Arambam Joy Singh, Department of Physics, S. K Women's College, Nambol and daughter of (L) Konsam Yaima Singh and (L) Konsam Ongbi Indrani Devi of Khagempalli Pankha, Huidrom Leikai. Currently she is a teaching faculty of TIITET (College of teacher Education), Bishnupur, Manipur.

We wish her a grand success in Future Endeavours.

With Best wishes from
Family, Relatives and Friends.

HL-B/11127/16

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫ (ঐচ এন এস):**
মতম অমদা মণিপুরগী খ্বাইদগী মমিং লৈবা হোক্কি শান্নরোয় অমা ওইরম্বতা নত্তনা মণিপুর হোক্কি এসোসিএশনদা মতম কুইনা থৌ পুরম্বা ৱাঙ্খে থাংজম লৈকায়দগী আর কে মনিসনানা থা অসিগী ১২ নিংথৌকাবা নুমিৎতা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা হোক্কি মণিপুরগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি। হীরম অসিগা মরী লৈননা হোক্কি মণিপুরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মনিসানা লৈখিদবা অদুগা মরী লৈননা হোক্কি মণিপুরগী এগজিক্যুটিব বোর্দকী মীফম অমা ঙরাং এসোসিএশন অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট এন জি মোটিলালনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবগা লোয়নননা লৈখিদ্রবগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎতুনা মিনট অনী তুমিন্না লেপখি।

HL-P/4798/14, 15, 16




WE ARE HIRING
JCRE Group

SOCIAL MEDIA COORDINATOR | Vacancy - 01
Eligibility:
Bachelor's degree in Business Administration (Marketing), Mass Communication, or a related field.
Experience:
- 1-3 years of experience in planning, managing, and engaging audiences on social media platforms.
- Hands-on experience with content creation and maintaining content calendars across multiple platforms.

MULTIMEDIA SPECIALIST | Vacancy - 01
Eligibility:
- Bachelor's degree or Diploma in Multimedia, Film, Design, Visual Communication, or related field.
Experience:
- 1-3 years of experience in video shooting, editing, and visual content creation.
- Proficiency in creating engaging visual content for digital and social media platforms.

APPLY NOW!
SEND YOUR RESUME AT
hr@jcre.ac.in
More information
+91 9366847804
Corporate Office: Thangmeiband Meisnam Leikai, Imphal West, Manipur - 795001.
HL-B/11048/16




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com